# নুংঙাইবা মালেম অমা পুরক্নবা হোৎনবদা খ্বাইদগী ফবা এজেন্টদি স্পোর্টসনি ঃ আর কে জয়সনা

রত্নেশ্বরী গোস্বামী

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ ঃ

মণিপুরদা শান্ন-খোৎনবদা মীঙচৎ উরোঙ খিনবা ঙম্বা মীওইখক্তগা নত্তনা স্পোর্টস য়োকখৎপা পামজবা, শান্নবগী অশেংবা মশক খঙবা মীওই কয়াসু ঐখোয়গী ইরক্তা য়াওরি। ষ্টেটসিগী শান্নরোইশিংগীদমক অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা মতম মতমগী ওইবা থবক কয়া থৌনা ফনা চঙশিনবিরিবা মীওই অমা ঙসি উন্নজরুই, সোসিএল এক্টিভিষ্ট ওইনা মালেমগী স্পোর্টস বোদি কয়াদা শান্নবগী ঈ-পাউ তত্তনা ফাওনরিবা, মীওই অদুদি অতৈ কনাসু নত্তে। য়াইস্কুল সৌগ্বাইজম লৈকাইদা লৈবা কাকা আর কে জয়সনানি।

ঐনা হঙজবা তোঙান তোঙানবা ৱাহং কয়াগী পাউখুম পীরদুনা অহানবা ওইনা কাকা অসিনা অসুম্না ফোঙদোকপিরকখি, স্পোর্টসকী মতাংদা ঐঙোন্দা ফাওজবসি "Sports is the only agent to bring peace & harmony in the world" তশেংনমক, পৃথিবীদা শান্তি পুরক্কদবসিদি স্পোর্টস নত্তনা লৈতবনি। মরম অদুনা স্পোর্টসমেনশিং অসি, ঐখোয়না অৱাংবা ফীদাদা ফমহন্দুনা মশক ফজনা খঙবীগদবনি। অইঙবা, অতপ্পা মীওইবনা হিঙবদা নুংঙাইবা মালেম ওইনা ওইহনগদৌবা মী কাংলুপ অসি, ঐখোয়না লাইনা লৌবা সুকয়া য়াদে। ঐগী ওইনদি, ইন্দিয়াগী স্পোর্টস ওর্গেনাইজেশনশিংদা, ফিফাগী ওর্গেনাইজিং কাংবুদা ওইরবসু ঐদি ইশাগী ওপিনিয়ন কয়া মতম মতমগী পীদুনা লাকচৈ।

মণিপুরগী শান্নরোইশিংগী মতাংদসু চহী কয়াদগী সরকারগী মাইকৈদা মখোয়গী থবক চঙবদা কোট্টা থম্বীনবা, চান্ন-চান্নবা থবক পীবিনবা লাউদুনা লাকচরি। হৌজিক হৌজিকমকসু, মতম অমদা মমিং লৈনা শান্নরম্বা চান্নবা থবক ইনখাং ফঙহৌদবদগী নাতৈ চাদনা নুংঙাইজদে।

চীফ মিনিষ্টরদসু চে ইজদুনা মখোয়গীদমক হীঙবদা খীত্তং নুংঙাইজনবা থৌরাং অমত্তংদি


আর কে জয়সনা

লৈবা মীওই কয়া য়াওরি। মখোয়গীদমক অখন্নবা লোন পীবা তৌবিয়ু হায়জখ্রে। অদুগা ঐনা সজেশন অমসু তৌজখি। ষ্টেটসিগী

## অখন্নবা পাউদম

ঙম্বা, মখোয়বু নুংঙাইনা হীঙহনবা য়ানবা, বেঙ্ক অমা নিংথিনা চল্লাইনবসু চেঞ্জরি। মণিপুরগী মমিংদা, থৱাই য়াওনা মীয়াম্না শকখঙননা শান্নবীরম্বা, হৌজিক্না কনানসু শিংথানবিদনা হীঙবা শক্ন ্াইরম্বা প্লেয়রশিংসি উজবদা তত্তনা ঈজৎ পুরক্লম্বা শান্নরোই অসিগীদমক ইমা মার্কেট অহুমদা দুকান কুন/কুনদং পীবিয়ু। মখোয়দা, সরকারনা অদুগুম্বা থবক অমা পায়খৎলকপদা মীয়াম্নসু হেন্না থাগৎনগনি। হৌজিক সরকারনা থবক পীরিবা শান্নরোইশিং অসি ফর্ষ্ট ক্লাস ফর্ষ্ট ফঙবা ঙাক্তনা অয়াম্বনি। সেকেন্দ, থর্দ ফঙহৌবা কয়া অমসু লৈহৌরি। লোইনমক হুপ্তুনা পীবিয়ু হায়বা নৎচদে। মফম চাবা চাবদদি স্পোর্টসমেনশিংগীসু থম্বীয়ু হায়জবনি। শান্নরোইশিং অসি পাকশন্না মাইপাক্না তৌবা য়াবা সজেশন অমসু ঐহাক পীজগে। ৱাফমসি, স্পোর্টসকী মরু ওইবা মীওইশিংদদি চীঠি ইদুনা থাজখিবসু লৈখ্রবনি। মসিমদি অথুবা মতমদা সরকারনা পায়খৎপদসু অরুবা ওইগনি নিঙদে। খুমন লম্পাক্কী স্পোর্টস ষ্টেদিয়মগী অকোইবা ৱাল অসি দুকান ময়াম অমা শাবীনবা থৌরাং লৌখৎপিয়ু। মসিদসু মতম অমগী শক্লাইবীরম্বা প্লেয়র ময়াম অমা হীঙজবা য়াগনি। স্পোর্টসকী তোঙান তোঙানবা আইটেম কয়াসু মফমদুদা য়োঞ্জরুসনু। মণিপুরগী মশক তাকপা য়াবা দুকান ময়াম অমা ওইহনবসু য়াগনি। শান্নরোইশিংগীদমক অখন্ননা লৌখৎপা থৌরাং ওইনা প্রজাশিংনসু থোইদোক্না পেন্নগনি। হায়রিবা দুকানশিং অদু জীজ্ঘনা ফজনা কুপ্লগা রেন ৱাটর হারভেষ্টিংগী প্রোগ্রাম অমসু পায়খৎপা য়াগনি। মদুনা ঈশিং ৱাৎহন্দনবগী অখন্নবা থবকসু ওইগনি।

পৃথিবীগী ওইনা অহোংবা কয়া লাক্লিবসিদা, ঐখোয়সু য়াওদবা য়ারোই। ঐখোয়সু অশানবা মীৎয়েং য়েংবা তাই। শান্নরোইগী লৈবাক ওইরবা মণিপুরদদি প্লেয়রশিংগীদমক মতম মতমগা চান্নবা থবক মথং মথং পায়খৎপীবা তাবনি। রুটিন ৱর্ক খরা তৌবনদি অহোংবা করিসু পুরকপা ঙমলোই। চহী কুইরে ঐনা লাউদুনা লাকচরিবসি, ইথন্তগী খোঞ্জেল ওইবসিনা য়াম্না কন্না লাউবদি ঙমদ্রি। ঙসিদি ঐহাক অনৌবা থবক থৌরম খরা পায়খৎপা হৌজরে।

মথং-মথং

# ওলেম্পিক ক্বালিফিকেশনগীদমক্তা মীৎয়েং থম্লি ঃ সরিতা

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ০৮ ঃ

প্রোভিজনেল সস্পেন্সন্না মরম ওইদুনা বোক্সিং শান্নবা য়াওদবা ওইরগসু মণিপুরদগী হৌখিবী লাইশ্রম সরিতাগী বোক্সিং শান্নবগী লেংদবা স্পিরিট অদুদি মাঙদনা লৈরি।

এসিয়ন গেমস ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট বোক্সর অসিনা হায়, মহাক্কী ওইনদি কুমজা ২০১৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক্স গেমসতা মপুং ফাবা মীৎয়েং অমা থমদুনা লৈরি। মায় পাকপা হায়বদুদি ঐহাক্কী ৱাখলদা লৈরিবা ফিভম অদুগী মতুং ইন্না লাক্কদবনি।



মণিপুরদগী হৌখিবী নুপী বোক্সর অসি হন্দক্তগা ইকুই কুইখিদ্রিঙৈ মনুংদা লোয়শিনখিবা ইনচিওন এসিয়ন গেমসতা ইমোসনেল ওইবা চার্জ অমগা লোয়ননা প্রোটেষ্ট তৌখিবগীদমক্তা প্রোভিজনেল ওইনা সস্পেন্দ তৌখিবনি। এসিয়ন গেমস অদুদা মহাক্না য়াম্না চয়েৎননিংঙাই ওইবা সেমি ফাইনেল বাউঠতা মায়থিখ্রবা মতুংদা মেদল লৌ হায়বা য়াখিদবনি। হৌজিক্তিঃ মহাক্না ওলেম্পিক ক্বালিফিকেশনগীদমক্তা অচেৎপা মীৎয়েং থম্লি হায়না সরিতা দেবীনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইনচিওন্দা থোকখিবা থৌদোকশিং অদু ঐহাক্না কাউথোক্লবা হোৎনরি। হৌজিক ঐঙোন্দা মদুদগী হেন্না চাউবা চেলেঞ্জ অমা লৈরে হায়রদুনা ওলেম্পিক গেমসকীদমক্তগা ক্বালিফাই ওইবা ঙম্বা হোৎনবগী অপাম্বা লৈ হায়না সরিতানা হায়খি।

ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর অসিনা ইনচিওন এসিয়ন গেমসতা থোকখিবা থৌদোক অদুগীদমক্তগা এপোলোজাইস তৌখ্রবনি। তৌইগুম্বসুং মদুনা থা অসিগী ১৩ দগী কোরিয়াগী জিজু আইলেন্দদা হৌগদৌরিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াবা ঙম্নবগীদমক্তা মতিক চাবা হায়বদু ওইদনা লৈরক্লি।

ঐহাক্না নিংলিবা পঙ্কু অদু য়ৌনবা হোৎনবদা ঐঙোন্দা লৈজরিবা শক্তি পুম্নমক শিজিন্নবগা লোয়ননা কৎথোকপগী থবক তৌগনি হায়না সরিতানা মখা তাখি।

এসিয়ন গোল্ড মেদলিষ্ট প্রিয়াঙ্কা ফ্লৱার, এসিয়ন অর্জুনা এৱার্দি হান্নগী ইন্টরনেশনেল টেবল টেনিস শান্নরোই ইন্দুপরি অমসুং বাস্কেটবোল এক্সপোনেন্ট জয়াশঙ্কর মেননসু ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। মখোয় মরিনা মফম অসিদা লৈবা মেজর ধ্যানচান্দ নেশনেল ষ্টেদিয়মদা ইন্টরেক্টিভ ওইবা সেসন অমগীদমক্তা পুনখি।

এফ আই সি সি আই, মিনিষ্ট্রি ওফ স্কিল দেভলপমেন্ট, ইন্তরপ্রিনরসিপ, য়ুঠ এফেয়াস এন্দ স্পোর্টস অমসুং স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা শিনখিবা এক্সপোগী নিনি চনবা নুমিত্তা শান্নরোই মরি অসি ইন্টরেক্টিভ সেসন অমগীদমক্তগা পুনখিবনি। ঙসি ফাওবগী মনুংদা ইন্দিয়াগী এঠলেট অমত্তনা ওলেম্পিক মেদল ফংবা লৈত্রি।

মেদল অসি ফংনবগীদমক্তগা ঐখোয়না ট্রেনিং চঠনবগীদমক্তা হেন্না ফবা ফেসিলিটিশিং তঙাইফদবা লৈ। ঐখোয়না ইন্টরনেশনেল থাক্কী কোচশিং তঙাইফদবা লৈ। কোচশিং অদুনা এঠলেটশিংদা হেন্না চাউবা চাংদম্নবশিংদা শরুক য়ানবগীদমক্তা চথবা রিছার্স অদুগী মখা পোন্না ঐখোয়না থবক পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক্তা ইন্টরনেশনেল ষ্টেন্দরগী কোচশিং তঙাইফদবা লৈ হায়না এসিয়ন গেমসতা ৪গ১০০ মিটর ৱুমেন'স রিলে টিমদা শরুক য়াখিবী প্রিয়াঙ্কানা মখা তানা হায়খি।

# সলগাওকরনা ঈজৎ লৈরবা দুরান কপকী টাইটল লৌখ্রে



মরগাও, নবেম্বর ০৮ ঃ

এফ সি সলগাওকরনা পুনে এফ সিবু শুপ্নগী গোল অমখক্তদা মায়থিবা পীরন্নগা ঙসি মফম অসিদা শান্নখিবা দুরান কপ চেম্পিয়নগী ফাইনেলদা মায় পাক্তুনা ঈজৎ লৈরবা দুরান কপকী টাইটল অহুম্লক শুবা ওইনা লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদু হেক হৌবদগী লোয়বা ফাওবা বোল পোসেসন হেন্না ফজনা তৌখিবা সলগাওকরনা য়াম্না মরু ওইরবা গোল অদু মেচকী ২১ শুবা মিনিটতা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোই থাংজম সরন সিংহনা চনখিবনি।

রায়া পঞ্চায়েট গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদুদা সলগাওকরগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মওংদা বোল পোসেসন তৌদুনা শান্নখিবগা লোয়ননা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোই থাংজম সরন সিংহনা মায় পাকপগী গোল অদু চনবা ঙমখিবনি।

মিদলদগী লোকস লমারেনা পিরকখিবা পাস অমগী মতেংনা সরন সিংহনা রাইভেল দিফেন্দরশিং পল অদু লান্থোক্তুনা বোক্স মনুংদা চংশিল্লক্লগা য়েৎ থংবা খোংনা কাউশিনখিবা বোল অদুনা গোল ওন্থোকপা ঙমদুনা দুরান কপগী মপু ওইবা ঙমখিবনি।

সলগাওকরনা ইহান হানবদা ওপোজিশনগী মায়কৈদা গোল চন্ননবা হোৎনখি। তৌইগুম্বসুং লোকস লমারেনা মহাক্কী সোট অদু শোয়হনখিবদগী ৱাইদ ওইনা চৎখিদুনা গোল ওন্থোকপা ঙমহনখিদে। সলগাওকরগী মায়কৈদগী অমুক্কসু হন্না ফাইনেল মেচ অসিদা মাংজিল থাবা অদু হেনগৎহন্নবগী য়াম্না ফজরবা খুদোংচাবা অমা ফংখি। তৌইগুম্বসুং গিলবর্দ ওলিবিরানা মহাক্কী সোট অদু টার্গেট ৱাংমা লান্না তৌখিবদগী গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে।

পুনে এফ সিগী মায়কৈদগীসু অহানবা হাফ লোইরমদাইদা গোল চনবা য়াবগী য়াম্না ফজরবা চান্স অমা ফংখি। তৌইগুম্বসুং হোম টিমগী গোল কিপর ওইরিবা করনজিৎ সিংহনা বোল অদু বারগী ৱাংমা লান্না ইন্থোকখিবদগী গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে। সোট অদু প্রকাস থোরক্না কাউশিল্লকখিবনি।

অনীশুবা হাফ অদুসু মরু ওইনা মিদফিল্ডদা নাকল অনীমক্না য়াম্না কন্না থেংনখি। ভিজিটরশিংগী মাইকৈদগী মেচকী অরোইবা ক্বার্টরদা ইক্বেলাইজর ওইবা য়াবা চান্স অমা ফংখি। তৌইগুম্বসুং গোল কিপ্পর করনজিৎনা অমুক্কসু য়াম্না এলার্ট ওইদুনা দাইভিং সেভ অমা তৌবা ঙমখিবদগী গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে। সবষ্টিট্যুট ওইনা চংলকখিবা এরিক ব্রাউন্দনা কাউশিল্লকখিবা বোল অদু মহাক্না দাইভ তৌদুনা সেভ তৌখিবনি।

মসিগী মতুংদা জোমিংলিয়ানা রলটেনা হেদ তৌশিল্লকখিবা বোল অদুসু গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে। সলগাওকরগী কোচ ওইরিবা দেরিক পরেরানা টিমগী কোচ অমা ওইনা লৈরকখিবদগী অনীরক ট্রোফি লৌবা ঙমখ্রে। ঙসিগী ওইনা মায় পাকখিবা অসিগীদমক্তসু মহাক্না নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে।

শান্নরোই অমা ওইনা ট্রোফি অসি লৌবা ঙমখিবা মীকুপ অসিগীদমক্তা ঐঙোন্দা নুংঙাইবা ফাওই অমসুং সলগাওকরগী কোচ অমা ওইনসু অমুক্কা হেন্না নুংঙাইবা ফাওই হায়খি অদুবু ঙসিদি ঐখোয়না হোমদা মায় পাকাপ ঙমখিবা অসিনা অমুক্কা হেন্না নুংঙাইবা ফাওই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

শান্নরোইশিংগী মাইকৈদগী ট্রোফি লৌনবা হোৎনবদা লিংজেল ফুদোক্তুনা শান্নখিবগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোক্লিংই। মখোয়না ট্রেনিং মনুংদা থমখিবা পার্ফোমেন্স অদু চপ চানা ঙসিগী ফাইনেল নুমিত্তসু উৎখি অমসুং ঐখোয়না মদুগী মহয় ওইনা ফাইনেলদা মায় পাকাপ ঙমখিবনি।

হৌজিক্তি ঐখোয়না ফেন্দরেশন কপ মায় পাকপা ঙম্নবগী মোমেন্তম অমা শাগৎনবগী মীৎয়েং থম্লে অমসুং আই লীগতসু মায় পাক্লনবা হোৎনরগনি হায়বগী ৱাফম পরেরানা থমখি।

নীংশিংবা য়াবদি, সলগাওকরনা দুরান কপকী টাইটল অসি কুমজা ১৯৯৯ অমসুং কুমজা ২০০৩ দা লৌবা ঙমখ্রে। মায় পাকপা ঙম্লবা টিম অসিনা লুপা লাক্ষ ২৫ অদুগা রন্নর্স-অপ তাহৌরবা পুনে এফ সিনা লুপা লাক্ষ ১৫ ফংখ্রে। বেঙ্গালুরু এফ সি অমসুং স্পোর্টিং দি গোৱা অনীমক্তি সেমি ফাইনেলদা মায়থিবা নংখ্রবনি। টিম অনী অসিনা লুপা লাক্ষ ৫/৫ ফংখ্রে।

# মেরি কোমনা প্রেগনেন্সি টেষ্ট তৌবা শৌগৎপা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ০৮ ঃ

মণিপুরদগী হৌখিবা ওলেম্পিক ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট বোক্সর এম সি মেরি কোম্না য়াম্না চয়েৎনদুনা লৈরিবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদবা নুপী বোক্সরশিং প্রেগনেন্সি টেষ্ট তৌবগী থৌওং শৌগৎখ্রে। থৌওং অসি শান্নরোইশিংগীদমক্তা ওইনদি য়াম্না সেফটি ওইনবগীদমক্তা অফবা খোঙথাং অমনি হায়না মহাক্না হায়খি।

মেরি কোম্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, টেষ্ট পাঙথোকপা অসি অনৌবা দিভলপমেন্ট অমা নত্তে, মরমদি মহাক মশামকসু হায়রিবা টেষ্ট অসি চথখিবা লৈখ্রে হায়খি। হন্দক্তা ইকুই কুইখিদ্রিঙৈ মনুংদা পাঙথোক্লিবা টেষ্ট অসিদদি ঐহাক য়াওদে। তৌইগুম্বসুং ঐহাক্কী মত্তদি অসিগুম্বা টেষ্ট অমা চথবা হায়বসি বোক্সরশিংগীদমক্তদি সেফটি ওইনবগী অফবা খোঙথাং অমনি হায়খি।

মেরি কোম্না মিনিষ্ট্রি ওফ নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন্না শিনখিবা ফেলিসিটেশন প্রোগ্রাম অমগী সাইদ লাইন্দা ৱাফম অসি হায়খিবনি। পুম্নমক অসিগী মথক্তা হায়রিবা টেষ্ট অসি এ আই বি এগী গাইদ লাইনশিংগী মখাদা পাঙথোকপনি অমসুং মালেম পুম্বদা টেষ্ট অসি এপ্লাই তৌদুনা লৈরি হায়না মেরি কোম্না হায়খি।

মথংগী চয়োলদা কোরিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা চাংদম্নবা য়াওগদৌরিবা নুপী বোক্সর নিপাল সাইনা এ আই বি এগী অনৌবা তঙাইফদবশিং অদুগী মখাদা প্রেগনেন্সি টেষ্ট তৌখিবনি অদুবু হায়রিবা খোঙথাং অসি এক্সপার্টশিংনদি ক্রিটিসাইজ তৌনরকখিবা লৈরিবনি।

সাউথ কোরিয়াগী জেজু আইলেন্দসতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ানবগীদমক্তা এ আই বি এনা বোক্সিং ইন্দিয়াদা চেবাও থারকখিবনি। অসিগুম্বা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবী নুপী বোক্সরশিং নোন-প্রেগনেন্সি ওইবা ফোর্ম অমদা লৈহন্নবা খঙহল্লকখিবনি।

মঙারক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবী মেরি কোম্না ফোঙদোকখিবা অমনা হৌখিবা চহী খরগী মনুংদা অসিগুম্বা মখলগী প্রেগনেন্সি টেষ্ট অসি ইন্টরনেশনেল ইভেন্টগীদমক্তা মেন্দটরি ওইরকখিদবনি। করিগুম্বা মতমদা বোক্সরশিংনা দিক্লারেশন তৌরকখিবা অদুখক্না কেস খরদা মতিক চারে হায়না লৌনখিবনি।

# চোং ৱৈ দ্রগ টেষ্ট ফেল ওইরে, টেম্পররি ওইনা সস্পেন্দ তৌখ্রে

কুআল লম্পুর, নবেম্বর ০৮ ঃ

মালেজিয়ন মেন'স বেদমিন্টন শান্নরোই অমগী বি সেম্পল টেষ্ট তৌবদা আইন্না থিংখ্রবা এন্টি-ইনফ্লেমেটরি দেক্সামিথাসোন শীজিন্নরম্বগীদমক্তা পোজিটিভ ওইরে অমসুং শান্নরোই অসি টেম্পরেরি ওইনা সস্পেন্দ তৌখ্রে হায়না মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

বেদমিন্টন এসোসিএশন ওফ মলেজিয়া (দি এ এম) গী দেপ্যুটি প্রসিদেন্ট নোজা জকরিয়ানা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান লী চোং ৱৈগী মমিং পনবা রিপোর্ট পাক শন্দোরকখিবদগী মহাক্কী মরমদা অথিংবা থম্লে হায়বসি লাউথোরকখিবনি।

লী অসি চয়োল অসিগী মনুংদা মহাক্কী অনীশুবা টেষ্ট ৱিটনেসকীদমক নোর্ৱেদা চৎখিবনি। তৌইগুম্বসুং নোজানা ফোঙদোকখিবদা, অথিংবা থম্লিবা শান্নরোই অসিগী মমিংদি মখা তাবা প্রোসেস পায়খৎকদবা লৈবনা ফোঙদোক্লিংদে হায়খি।

মখা তাবা প্রোসেস অসিগী মনুংদা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেশন (বি দব্লিয়ু এফ) কী হিয়ারিং চত্থগদবা ৱাৎলি। টেষ্টিং চথখিবগী রিজল্ট অদুনা



সেম্পল অদুদা দেক্সামেথাসোন য়াওরে হায়বসি কনফর্ম তৌবা ঙমখ্রে। ঐখোয়গী মাইকৈদগীদি শান্নরোই অদুগী মমিং তাকথোক্লবগী শক্তি অদুদি লৈতে হায়খি।

শান্নরোই অসি য়াম্না কন্না হোৎনদুনা লাকখিবা মমিং লৈরবা অমনি হায়বসি ঐখোয়না থাজে হায়না নোজানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

শান্নরোই অসিনা করিগীদমক্তা দ্রগ টেষ্ট তৌবদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনো হায়বদুগী মতাংদা ৱাহং পাউহং চত্থবগী ৱাফম অদুসু মহাক্না কনফর্ম তৌজবা ঙমখ্রে। তৌইগুম্বসুং মহাক হৌখিবা জুলাই থাদা ফৈগন্দা অশোক অপন নংবগীদমক্তা ট্রিটমেন্ট চত্থখিবনি।

মশাগী চহী ৩২ শুরবা মলেজিয়ন শান্নরোই অসিনা চহী অসিগী হৌখিবা জুলাই থাদা ফৈগন্দা অশোক অপন অমা লৈরকখিবদগী ষ্টেমসেল ট্রিটমেন্ট চত্থরকখিবনি।

# মণিপুরগী শান্নরোই ৪ না নেশনেল স্কৱাস চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ ঃ

মুম্বাইগী ইন্দিয়ন ক্রিকেট ক্লবতা হৌখিবা তাং ৩ দগী ৮ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৬২ শুবা নেশনেল স্কৱাস রেকেট চেম্পিয়নশিপ ২০১৪ দা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবী বেদমনি, সনসমানা নুপীগী কাংলুপ্তা শরুক য়াদুনা শান্নখিবদা অহানবা রাউন্দদা মহাক্না জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী সব্রিনা ফিদিয়াসবু ১১-৩, ১১-৩, ১১-৩ দা মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা গেম অমদা ক্ষেত্রিময়ুম রেবেকানা মহাক্কী লম্বা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী কুরাচি এলেনবু ১১-০, ১১-০, ১১-০ দা মায়থিবা পীখি। নুপাগী অতোপ্পা মেচ অমদা মণিপুরগী কে তোম্বনা অহানবা রাউন্দদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী মহম্মদ অফ্রাস খানবু ১১-২, ১১-৩, ১১-৩ দা মায়থিবা পীখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরগী শান্নরোই ৪ এ তোম্বা, এ গৌতম, বেদমি সনসম অমসুং ক্ষেত্রিময়ুম রেবিকানা শরুক য়াখি। লোয়ননা মণিপুর টিম অসি মণিপুর স্কাৱাস রেকেট এসোসিএশনগী জোইন্ট সেক্রেটরি এল জয়চন্দ্র অমসুং টি ঐচ ইনাওচানা মথংশিংনা মেনেজর অমসুং কোচ ওইনা শরুক য়াখি।

# জেসিকা ইনিস-হিলনা বৈজিং ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা ফজবা পার্ফোমেন্স অমা পীননবা টার্গেট তৌরি

লন্দন, নবেম্বর ০৮ ঃ

বৈজিংদা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা চাংদম্নবা য়াওননবগীদমক্তা অচৌবা অশা অমা থম্লি হায়না জেসিকা ইনিস-হিলনা ফোঙদোকখ্রে। মহাক্না কুমজা ২০১৬ তা মহাক্কী ওলেম্পিক টাইটল অদু দিফেন্দ তৌবা ঙম্নবগীদমক্তা শেম শান্নবা হোৎনবগী লমদা খোঙ থাংজিনবগা লোয়ননা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

পনবা য়াই, ইনিস-হিলনা কুমজা ২০১২ দা পাঙথোকখিবা লন্দন ওলেম্পিক্সকী হেপ্তথালোন্দা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখিবনি। মসিগা লোয়ননা কুমজা ২০০৯ দা পাঙথোকখিবা বর্লিন ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তসু গোল্ড মেদল ফংখিবনি অদুবু হৌখিবা চহীগী মনুংদা মোস্কোদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তদি মহাক অশোক অপন নংবনা মরম ওইদুনা শরুক য়াবা ঙমখিদে। মসিগা লোয়ননা মহাক্কী মচানুপা রেজি পোকখিবনা মরম ওইরগা কুমজা ২০১৪ অসিদসু শান্নবা য়াওদনা লৈরকখিবনি।

মশাগী চহী ২৮ শুরবী শান্নরোই অসিনা হৌজিক মপুং ফাবা ট্রেনিং চত্থদুনা লৈবগা লোয়ননা চাইনানা য়ুম্বু ওইদুনা কুমজা ২০১৫ দা পাঙথোক্কদবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াবা ঙম্নবা এইম তৌরি। মমা অমা ওইরগা অসিগুম্বা ইভেন্ট অসি শরুক য়ানবা হোৎনবা হায়বসি অঙকপা অমনি হায়না মহাক্না স্কাই স্পোর্টস ন্যুজদা ফোঙদোকখ্রে।

ইভেন্ট অসিগী মতাংদা ঐহাক্না মিনিট খুদিংমক্তা পামজবা লৈ। ঐহাক্না অমুক হন্না ট্রেক্তা লাক্নবা হোৎনবা হায়বসি অচৌবা খোঙথাং অমনি। মাংলোমদা চৎকদবা খোঙথাং অমগীদমক্তা ঐহাক থাঙ্গৈশেংনা য়াম্না মতম চিনবা হায়বদু ওইরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।



বৈজিংদা পাঙথোক্কদৌবিরা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অসি থাঙ্গৈশেংনা হায়রবদা ঐহাক্কীদমক্তদি অচৌবা এইম অমনি অমসুং চেম্পিয়নশিপ অসি ঐঙোন্দা অচৌবা খোঙথাং অমসু ওইরগনি। তৌইগুম্বসুং খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইবা এইম অদু রিও ওলেম্পিক্সতনি। রিও ওলেম্পিক্সতা ঐহাক্না ঐহাক্কী গেমগী খ্বাইদগী তোপ্তা অমুক হন্না লাকপা অদু পাম্লি হায়বা ৱাফমসু মহাক্না থমখি।

পনবা য়াবা অমনা, টেনিস শান্নরোই কিম ক্লাইষ্টরসনা মহাক্কী ইহান হানবা মচা ফংলবা মতুং শুপ্নগী থা ১৮ খক্তগা ঙাইরিঙৈ মনুংদা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন টাইটল লৌবা ঙমখিবনি। মসিগা লোয়ননা জো পেবিনসু মহাক্কী অনীশুবা অঙাং উন্নরবা মতুং থা ১০ খক্তা ঙাইরিঙৈদা চহী অসিগী কালেন থাগী মনুংদা মিটর লিশিং ১০ গী লমজেলদা য়ুরোপিয়ন গোল্ড ফংবা ঙমখিবনি।




